‘মীৎয়েং চঙবীয়ু’

ইম্ফাল, মে ১০: মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী সেক্রেটরিয়েটনা কৌখিবা কম্মিটি ওফিসার রিপোর্টর গ্রেদ থ্রি হায়রিবা পোষ্ট অনী অসি পাউচে অমখক্তংদা নোটিস থোক্লগা লৌনবা হোৎনরিবসি করম্বা থৌওংনো হায়না য়ুথস ফোর রিফোর্মেসন ইন রিক্রুটমেন্ট মণিপুর (ৱাই আর আর এমনা হংলক্লি।

ৱাই আর আর এমগী সেক্রেটরি টি ঐচ অরুনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কম্মিটি ওফিসকী পোষ্ট অসি গেজেটেদ পোষ্ট ওইবা মরম্না মণিপুর পব্লিক সার্বিস কম্মিসন্না লৌগদবনি অমসুং নোটিস অসি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ৱেবসাইটতা করিগীদমক্তা হাপত্রিবনো হায়না হংলক্লি। অকক্লবা সিলেবস অমসুং পেটর্ননচিংবা পীদনা ফোর্ম সমিসন তৌবগী মতম য়াম্না তেন্না নুমিৎ ৫নিখক পীরিবা অসিনা করিগীনো হায়না হংলক্লি।

মমাঙদা কৌখিবা কম্মিটি ওফিসারগী পোষ্ট অদুসু গেজেটেদ পোষ্ট ওইবা মরম্না এম পি এস সীনা লৌফম থোকপনি। অদুবু মদুগী তায়ওন্নবদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী সেক্রেটরিয়েটনা চৎনকাঙলোনগী ৱাংমদা পোষ্ট অদু লৌখি। পোষ্ট অদু লৌবগী চাংয়েং পাঙথোকপা মতমদসু সিটিং এরেঞ্জমেন্ট মওং মরিল তাদনা ফমনিংবা মফমদা ফমহনখি।

অসিগুম্বা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা থৌওং অসি নৌনা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লূচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা থমখ্রবসু হান্নগী হান্না হামু হামু অহোংবা করিমত্তা পুরকপগী মমি তাদবা অসিনা চুম্না থবক ফংনবা লাইরিক কন্না পাদুনা হোৎনরিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবশিংগীদি লাইবক থীবনি হায়নিংই। চীফ মিনিষ্টরনা অসিগুম্বা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা থৌওং অসিবু মীৎয়েং চঙবীদুনা অওনবা, অফবা মণিপুর অমা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়রি।

মুতুম জয় এৱার্দ

ইম্ফাল, মে ১০ : মুতুম জয় মেমোরিএল ট্রষ্ট, কৈশাম্পাৎ মুতুম লৈকায়না শীন্দুনা মুতুম জয়গী মরিরকশুবা নীংশিং থৌরম মোইরাং লমখায়দা লৈবা কে মণিগী শঙ্গাইদা নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোকখ্রে। মুতুম জয়গী পুন্সি অমদি থবক হায়বা অসিদা সেমিনার অমসুং পাঙথোকখি। মুতুম উপেন্দ্রোনা মুতুম জয়গী পুন্সি অমদি থবক হায়বা টোপিক অসিদা চে পাখি। অনীশুবা থৌরমদা আর কে জয়কুমার ভাইস প্রসিদেন্ট আর্ট এন্দ কলচর সেন্টর মণিপুরনা চীফ গেষ্ট অমসুং মুতুম জয় মেমোরিএল ট্রষ্টকী চ্যেরমেন মুতুম উপেন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট অমদি আর কে সপনা ইগজিক্যুটিব মেম্বর অমদি গুরুময়ুম মধব মেম্বর আর্ট এন্দ কলচর একাদেমিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। নট সঙ্কির্ত্তনগী শৈশকপী এল বিমোলাতাদা মুতুম জয় নীংশিং এৱার্দ লান্থোকখি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা ৫০০০, শকখঙচে অমসুং মমোন্টোনচিংবা য়াওরি। থৌরম অদুগী অরোইবদা *হিংবগী লম্বীসিদা* হায়না মিংথোনবা ওইনাম মেরিয়ানা ইবা দান্স ড্রামা অমসু মীয়ামদা লান্থোকখি হায়রি।

সমানন্দবু ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০: ষ্টেট এগ্রীকলচর মেনেজমেন্টদা এক্সটেন্সন ইন্সটিট্যুট, দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রীকলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা নুমিৎ ৪নি চুপ্না পাঙথোকখি ষ্টেট এগ্রী ফ্যেরদা এগ্রীকলচর ইন্টরপ্রাইজেসকী অহানবা মনা ফংলকখিবা থাংজম সমানন্দবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফার্মর এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। এসোসিএসন অসিগী কৈশাম্পাত্তা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লমদম অসিদা বর্মি কম্পোজ পুথোকপগী থবক্তা থাংজম সমানন্দনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শকখঙবীদুনা এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টনা অহানবা মনা অসি পীরকখিবনি। এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রিসাইদ তৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী লাকপা মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

স্কোলরশিপ ইগজাম

ইম্ফাল, মে ১০: য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন খাঙবোকনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা পোষ্ট মেট্রিক স্কোলরশিপ ইগজামিনেসন থা অসিগী ২১গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা খাঙবোক হায় স্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর, সী বি এস ঈনা লৌবা ইগজামশিংদা শরুক য়াখিবা খাঙবোক্তা লৈবা মহৈরোয়শিং স্কোলরশিপ ইগজামিনেসন অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। অকুপ্পা ৱারোল অমদি এপ্লিকেসন ফোর্ম এসোসিএসন অসিগী ওফিসতগী খঙবা য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

ভী দি এফশিংবু ওফিসারশিংগী শেন্দানফম ওইহনগনু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, মে ১০(ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ভী দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এ এম ভী দি এফ দব্লিয়ু এ) গী দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী লীদরশিংনা মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ভী দি এফ আউটপোষ্ট, পুলিস ষ্টেসন, রিজার্ব লাইনশিংদা কোয়না চত্তুনা ভী দি এফশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং য়েংশিনবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা ভী দি এফশিংবু শেন্দানফম ওইনা ওন্থোকপগী ফীভমদা শীজিন্নবা থেংনরে হায়না এ এম ভী দি এফ দব্লিয়ু এনা মরাল শীরক্লি।

এ এম ভী দি এফ দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট এল দেবাননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ভী দি এফশিংগী ওফিসারশিংনা মখোয় মখোয়গী য়ুমশিংদা প্রাইভেট ৱার্ক ওইনা শুহননোমহনবা, তোলোপ তঞ্জায় পীরগা খুৎতা পুবা ভী দি এফশিংবু কা হেনবা দ্যুটিদা শীজিন্নবা, অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা ফাওবা ছুতি পীবিদবনচিংবগী পাউদম কয়া এসোসিএসনগী লূচিংবশিংদা তম্লকপগী রিপোর্ট লৈরি। অসিগুম্বা খুদোংচাবা খরদা মীৎয়েং থমদুনা মকোক থোংবা ওফিসারশিংনা ঙমই হায়দুনা ইন্দিবিদ্যুএল প্রাইভেট ৱার্কশিংদা শীজিন্নবা তোকপীয়ু, তোলোপ তঞ্জায় য়েন্নদুনা খুৎতা পুবগী অয়াবা পীবিগনু, ভী দি এফশিংনসু মশাগী খুদোংচাবা খরগীদমক খুৎতা পুদুনা য়ুমদা লৈনিংবগী হৈনবী থাদোকপীয়ু।

খুৎতা পুরিবা ভী দি এফ পার্সনেলশিংনা য়ুনিফোর্ম শেৎলিবা, আইদেন্টিটি কার্দ শীজিন্নদুনা অরানবা থবক থৌরম কয়াদা শীজিন্নবা ভী দি এফশিংনা তোকপীয়ু। ভী দি এফকী সার্বিস তৌনা তৌনা খুৎতা পুদুনা য়ুমদা লৈগদবগী শরুক রিজাইন তৌদুনা লৈবীয়ু।

কেম্প অমদা ভী দি এফ খরনা তঞ্জায় চাবী তৌদুনা লেমহৌরিবা ভী দি এফশিংনা পুং ২৪ পোত্থদনা দ্যুটি শীজিন্নবীবা অসিগুম্বা পেন্দবা, পরম লানবা কয়াগী মরিক চুম্বা রেকোর্দ এসোসিএসন্দা লৈরে। মসিদা অথুবা মতমদা অসিগুম্বা থবক তৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈরিবা মরী লৈনবা ওফিসারশিংনা অমদি খুৎতা পুরিবা ভী দি এফশিংনা অরানবা থবক অসি তৌবা তোকপীয়ু।

ওফিসারশিংনসু ভী দি এফশিংবু অফবা পাউতাক পীবিদুনা ইরমদম মণিপুরী লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌনবগী মতাংদা অশেংবা অহাংবা মশীং অদু পাউচেগী খুথাংদা খঙহল্লবা মতুংদা ওপন রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্লগা লৌবীয়ু। মদু নত্তদুনা খুৎচাবীদা হাপচিনবা তৌবীগনু। ভী দি এফশিংনা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা দ্যুটি তৌবদা কত্থোক্তুনা পুকচেল চাউনা খন্নবীদুনা দ্যুটিদা মায় ওনশিনবীয়ু।

ভী দি এফ কনা কনা খুৎতা পুরিবা, ওফিসার কনা কনাগী ইন্দিবিদ্যুএল অমদি প্রাইভেট ৱার্কতা শীজিন্নরিবগে হায়বা অচুম্বা লিষ্ট এসোসিএসন্দা লৈরে। মরম অসিনা অথুবা মতমগী মনুংদা অসিগুম্বা অরানবা তৌবশিং অসি পুথোকপীয়ু নৎত্রগনা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা এসোসিএসন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টতা পীশিল্লগনি।

হোম দিপার্টমেন্ট, দি জি পিনচিংবদা রিপোর্ট অমা অথুবা মতমদা পীশিল্লগনি। মরী লৈনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা অশোয়বা অসিদগী চুমথোক্লবগীদমক মীৎয়েং চঙবীয়ু। ভী দি এফশিংনসু দিসিপ্লিন ফোর্স অমগী চৎন-কাঙলোন ঙাকপীয়ু অমদি পরম চুম্না দ্যুটি তৌরসি। ইশা ইশাগী কান্নবা খরদা মীৎয়েং থম্লরোইসি হায়না এসোসিএসন অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘বিরমঙ্গল কোলেজদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু’

ইম্ফাল, মে ১০(ঐচ এন এস) : বিরমঙ্গল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ভী পি ওইরিবী ইবেন্মুগী লমজিং লমতাক মখাদা চত্থখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা কোলেজ অসিগী ওজাশিংগী মীহুৎ টি গম্ভীরনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা টি গম্ভীরনা হায়খি, দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (য়ু)না কুমজা ২০১৫গী জুন ৯দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না মীওই ১১না শাবা মেম্বরশিংবু জি বিগী ইলেক্সন তৌদুনা রেগ্যুলর জি বি অমা শেম্নবা খঙহনখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৫গী জুন ২৪দা জি বি ইলেক্সন তৌদুনা এস ইতোচাবু চ্যেরমেন অমদি ঐচ নবকুমারবু সেক্রেটরি ওইনা খনখি। মথং নুমিৎতা দিরেক্টোরেট ওফিসতা এপ্রুভেল পীবিনবা থাখি। অদুবু ভোটতা মায়থিহৌরবা সেক্রেটরিগা লম্বা তৌনখিবা এন বোরো অমদি মেম্বর অমগনা অরানবা চার্জ খরা তৌশিন্দুনা এপ্রুভেল পীদনবা হোৎনরকখি। মতুংদা সেক্রেটরি খল্লবা ঐচ নবকুমারনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কেস অমা ফাইল তৌদুনা এপ্রুভেল পীবিনবা হোৎনখি। মতুংদা ঐচ নবকুমারবু সেক্রেটরি ওইনা থা ১গী মনুংদা জি বিগী মথৌ তৌনবা রাই তারকখি। মরক অদুদা মরী লৈনদবা ৱাফম কয়াদা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপদগী ঙসি ফাওবা জি পিগী এপ্রুভেল পীদনা লাক্লি।

এপ্রুভ/অন-এপ্রুভ লেকচররনা জি বিগী মেম্বর ওইবা য়াবা অমদি য়াদবগী অখন্নবা রুল অমত্তা মণিপুর এদ্যুকেসন কোর্ট, ১৯৮২দা লৈতবা, শুপ্নগী টিচিং ষ্টাফনা ওইবা য়াবগী প্রোভিজন লৈবনা দিরেক্টোরেট ওফিসনা ৱাফম অদুগী মতাংদা চপ চানা লেপ্পা ঙমখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা কোলেজগী একাদেমিক এটমোসফ্যের অমদি দিভলপমেন্ট ৱার্কতা অকায়বা লাকখি।

হন্দক্তা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ রিজাইন তৌহন্নবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থীবনি। সেক্রেটরি ওইনা খল্লবা অমগী য়ুমদা মহৈরোয়শিংনা চঙদুনা রিজাইন তৌনবা হোৎনরকপা অসিদা ওজাশিংগী মরক্তা খুৎ য়াওবগী খুদম কয়া ফংই হায়না মরাল শীরক্লি।

ঈং-চীক্লা লৈনবা, দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ৱাখল তামিন্নবা মায়কৈ অসোমগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি মহৈরোয়শিংগী লূপনা বিরমঙ্গল কোলেজবু অফবা লম্বীদা লমজিংবীনবা পূক্নিং চিংশিল্লি হায়না মখা তারক্লি।

লম্বী থিংগদৌরি

ইম্ফাল, মে ১০(ঐচ এন এস) : মীতৈ নোংমদগী মপিথেল দাম ফাওবগী লম্বী অসি অশুক্কী মতিক ফৎত্রে। নোং খরা তাবদা লৈখোম লৈনাং থোক্লে অমসুং নুংশা শাবা মতমদনা উফুল ঙাক্তা ঙাইরে। মরম অদুনা লম্বী অসি শেমজিনবীদ্রবদি থিংজিল্লগনি হায়না জে এ সী মপিথেল দাম দাউনষ্ট্রিম এফেক্টেদ পিপলসকী চেরোল অমনা হায়রি।

দাম অসিদগী ওকসু, নোংদম ফাওবগী কিলোমিটর ১৫ রোম শাংবা লম্বী মতেক অসি য়াম্না ফত্তবনা মরম ওইদুনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা অনাবশিং হোস্পিটালদা পুখৎপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে অমসুং এক্সিদেন্টসু তোয়না থোক্লে। আই এফ সী দিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা মে থা অসিদা লম্বী শেম্বীদ্রবদি জে এ সী অসিনা নোংদমদগী দাম ফাওবগী লম্বী অসি থিংজিল্লগনি হায়রি।

বুধ পুর্ণিমাগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০(ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর বুধিষ্ট এসোসিএসন (অম্বা)না শীন্দুনা বুধ পুর্ণিমাগী থৌরম ঙসি নিংঙোমথোং সাইরোম লৈরক্তা লৈবা য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অম্বাগী চ্যেরমেন ৱাঙ্খেম খম্বনা ফোঙদোরকপদা লোর্দ বুধদেবনা তাইবঙপান অসিদা মীওইবা মরক্তা পোক্কুনা মীওইবগী অৱাবা অমদি নুংঙাইবা হায়বা অনী অসি পোৎশক অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুন্ফম ওইরগা বুধ ধর্ম্ম শন্দোক্লমখি।

মীওইশিংগী ওইবা ধর্ম্ম অসি তোঙান তোঙানবা খৃষ্টান, হিন্দু অমসুং মীতৈশিংগী মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম লৈরিবশিং অসিগী ৱাহন্থোকশিংদি মীওই খূদিংমক অমত্তনি হায়বা অসিনি।

মীওইবনা হেক পোকপদগী অরোইবা মতম ফাওবা অসি মাগী লীচৎ শাজৎ অদু চুম্না চৎনবা অমদি অচুম্বদা য়ুন্ফম ওইরগা ঙসিগী চরাংনরবা মালেম অসিদা লালগী শাগৎলক্লিবা ৱাখল্লোন অসিগী মায়োক্তা লাল য়াওদবা, ঈং-তপ্পা, নুংশিনবা পুরকসি হায়বা তারগদি বুধগী ৱাখল্লোন অসি চুমব্রা হায়বসিদা ঙসিগী থৌরম অসি শীঞ্জবনি।

অম্বাগী এক্স-ফাউন্দর চ্যেরমেন ওক্রম কুমারনা ফোঙদোরকপদা লোর্দ বুধনা পোকপসি কালেগী পুর্ণিমা নুমিৎতনি। অরান খুভম ফংখিবসু কালেনগী পুর্ণিমা নুমিত্তা ফংবনি অমসুং মহাক্কী শিখিবসু কালেনগী পুর্ণিমা নুমিৎতা শিখি। মরম অদুনা কালেনগী পুর্ণিমা হায়বসি বুধগীদমক্তদি য়াম্না মরুওইবা নুমিৎ অমখক্লি। অসিগুম্বা নুমিৎ অসি নীংশিংবা ওইনা বুধ পুর্ণিমা হায়দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপনি।

মরুওইনা এম য়ুগী লেংগ্বেষ্টিক দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার ওইরম্বদগী থবক্তগী পোত্থারবা এম এস নিংঙোম্বা হায়না খঙনরম্বা মহাক্লা হৌজিক্লা পান্থৌপা হায়দুনা খঙনদুনা মণিপুরদা বুধিজম লাইনিংগী ঈহৌদা লূচিংলি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, বুধিষ্ট কাউন্সীল মণিপুরনা ৱাংদৈ মীতৈ লৈকায় লাঙ্গোলগী বুধ লাইশঙদা বুধ পুর্ণিমাগী থৌরম ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা জি কৃষ্ণগোপাল শর্ম্মা, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট হোম গার্দনা চীফ গেষ্ট, এন মণিকান্ত জেনরেল সেক্রেটরি বুধিষ্ট কাউন্সীল মণিপুরনা প্রসিদেন্ট অমসুং এদভোকেট সনাতোম্বনচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি হায়রি।

2016
6th 8th 9th 12th 12th
13th 15th 16th 17th 18th
22nd 22nd 22nd Maths 100 Thang Ta 99
2015
1st 9th 10th
13th 15th 17th
20th 22nd 22nd
2014
5th 8th 9th 9th 9th
9th 11th 12th 12th 13th
14th 15th 18th 18th 19th
20th 20th 24th 24th 25th
2013
3rd 10th 12th
15th 15th 16th
17th 18th 19th
19th 24th 24th
2012
4th 7th
9th 10th
12th 16th
20th
94 94 91 91

BYS
Palace Compound (Macha Leima School)
9863284750/ 9856088990

ADMISSION OPEN
CLASS - X (BOSEM)
FOUNDATION COURSE
STARTING ON MAY 22, 2017.
MORNING: 4.30AM - 7.15AM
EVENING: 4.30PM - 7.15PM
HOSTEL FACILITY AVAILABLE

BYS Top Scorers - HOME SC.

HOME SCIENCE
EVENING CLASS (6PM)
Starting on 08/05/2017
LIMITED SEATS!! HURRY UP!!

HL-B/3856/7-21May

এস এস য়ু এমনা চঙশিনখিবা ঈহৌশিং মখা তানা চত্থবা হৌরগনি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা হোংলক্লিবা মতমগী ফীভম কয়া অসি য়াম্না মুন্না খন্ননৈনরবা মতুংদা লূপ অসিনা হৌখিবা মতমদা চঙশিনখিবা ঈহৌশিং মখা তানা চত্থরগনি হায়না সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)না ফোঙদোরক্লি।

এস এস য়ু এমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি নাওরেম তনোরঞ্জননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লূপ অসিনা মখা তানা ঈহৌশিং চত্থরকপদা লূপ অসিগী খোল্লাউদা অহোংবা খরদি লৈগনি। খুন্নাইগী খলশিং হোংলকপগী মতুং ইন্না খোল্লাউগী অহান-অকোনসু নীংথিনা খঙবা চঙই। মরম অদুনা মখা তানা চঙশিনগদবা খোঙজং অসি শেঞ্জা থুমজা মুত্থৎপগী খোল্লাউনা মাঙদা থারগা চঙশিনগনি।

লৈরিবা ফীভমগী তঙাইফদবা কয়া য়েংলগা শেঞ্জা থুমজাগী ঈহৌ অসি মফৌ দামদগী হৌরগা চীংখৈ চীংফাওবদা ঈশিংগী পাইপ ফুম্বগী মতাংদা চাউনা শেঞ্জা থুমজা চত্থখিবগী ৱাথোক অমা লৈরে। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা অথুবা মতমদা থিগৎপীনবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

সেন্ট্রেল ৱাটর কম্মিসন ২০১৫গী মখাদা ইম্ফাল ময়োলদা ঈশিং ফংহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ৩০০ রোম হেনবগী শেনয়াম অসি কায়থরকখিবনি। লাইবক থীবদি থবক অসি শুবদা মখল অমত্তগী ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদ্রে। পাইপ ফুম্বগী তৌথোকফম থোকপা অরুবা অদু য়ৌনা তৌদবা অমদি মখাথংবা শরুক অদু কংক্রিক থাগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরবসু কংক্রিক থাদনা হেক্তা ফুমজিন্দুনা মওং মরিল তাদবা মওংদা থবক চত্থখ্রে। ক্বালিটি মেন্টেন তৌদবা অসিনা মরম ওইদুনা অকায় অতোয় থোক্লবদি ইম্ফাল ইষ্টকী শরুক অহুম থোকপগী মনুংদা শরুক অমদি খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ নংহনবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মসিদা নত্তনা মফম খরগীদি হান্নমা থবক শুদবীদনা শেল কায়থোকখ্রে হায়বগী চিংনবসু লৈরে।

নাকল অমরোমদা টনেল অনী হুৎলিবা অসিগী থবক শুরিবা কম্পনি অসিসু ব্লেক লিষ্ট লৈবা কম্পনিনি হায়বগী চিংনবা লৈবা মরম্না ঠিকা পীবা মতমদসু য়াম্না চাউনা শেঞ্জা থুমজা চত্থখিবগী চিংনবা লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লি। মরম অদুনা মপিথেল দাম নৎত্রগা থৌবাল দাম হায়দ্রো পাৱর প্রোজেক্ট হায়না খঙনরিবা প্রোজেক্ট অসিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার, এস ঈ, ঈ ঈ অমসুং এ ঈ থৌবাল প্রোজেক্ট ৱান দিভিজন সিক্স, আই এফ সী দি খুদক্তা থবক্তগী লৌথোক্তুনা মখোয়গী মথক্তা ইনক্বারি চত্থদুনা মরাল লৈবশিং লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীবিয়ু হায়রি।

করিগুম্বা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা হায়রিবা ৱাফম অসি থবক ওইনা ওন্থোক্তবা থোক্লগনি এস এস য়ু এমনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

অমরোমদা, লোক্তাক মল্টি মিলিয়ন স্কামগী ৱাথোক সী বি আইদা শীন্নহন্নবগী খোঙজংনা থা অসিগী ২০দগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি। অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপা থা ৩ মপুং ফারক্কদৌরে অদুবু লোক্তাক লেক মল্টি মিলিয়ন স্কাম অসিগী মতাংদা সী বি আইনা থিগৎহন্নবগী ৱাফম তুমিন্না লৈশিনখিবা অসিমক খমথেংনা য়ানিংদে হায়রি। মরম অদুনা থা অসিগী ২০দগী হৌনা লোক্তাক মল্টি মিলিয়ন স্কাম অসি সী বি আইদা শীন্নগদবনি হায়বা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে।

মহৈরোয় কনবগী ঈহৌ অমদি ফেক এনকাউন্টরগী ঈহৌশিং অসিদি মতম খরা পোলিটিকেল ষ্ট্রেটেজি শেম্বগী তঙাইফদবা লৈবা মরম্না কুপথনা য়েংখিগনি। ফেক এনকাউন্টর অদুদা শোয়দনা চেন্নরমগনি হায়বা মীওই অমা অনৌবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ওইরি। মসি লূপ অসিনা পেন্নিংঙাই ওইদে। অদুবু হোংলক্লিবা মতমগী খোঙচৎ অসিনা চল্লিবা পাউখোংশিং অসি য়েংলগা মখা তানা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু লৈবাক্কী অখঙ অহৈ কয়ানা তান-তিক্লবগী মতম অমা লৌফম থোকই।

য়েলহৌমী কনবগী ঈহৌ অসি চহী ১৫ হেনবগী মমাঙদগী লৈঙাক্লা খমথেংনা নমশিন্দুনা থল্লম্বা মরম্না মসিগী টেক্নিকেল ওইবা ৱাফমশিং অদু অমুক হন্না খন্ননবগী মতম লৌবগী তঙাইফবা লৈরি। মরম অদুনা খোল্লাউ অনীসি থা ১গুম্বা মতম লৌদুনা লূপ অসিনা মণিপুরগী অখঙ অহৈশিং তানখিগনি। অদুম ওইনমক শেঞ্জা থুমজাগী মায়োক্তা চঙশিনফম থোকপা ঈহৌশিং অমদি লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌনবা শেম শারে।

অহানবা সেন্ট্রেল ৱাটর কম্মিসনগী মখাদা ইম্ফাল ময়োলগী মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা চাউরবা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক অমা লৈরব্রা হায়বসি থিগৎতুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীহন্নবা ঈহৌ অসিনা অহানবা ওইনা চঙশিল্লগনি। থা অসিগী ২০দগী লোক্তাক মল্টি মিলিয়ন স্কামগী ৱাথোক সী বি আইদা শীন্নহন্নবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

এমসু শিংজমৈ ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০(ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) হেদক্বার্টরগী কোওর্দিনেটর অমসুং নেটৱার্কিং সেক্রেটরি থৌবা লাইশ্রমগী মীৎয়েং মখাদা এমসুবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এমসু শিংজমৈ ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে।

থা অসিগী ৯দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম বসন্ত, ফাইনান্স সেক্রেটরি অভিজিৎ, কোওর্দিনেসন এন্দ নেটৱার্কিং সেক্রেটরি সলাম সন্তোশ য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এমসু শিংজমৈ ব্রাঞ্চ হাংদোকখি।

এমসুনা মণিপুরদা শাফোঙলকপদগী ঙসি ফাওবা মহৈরোয় খুন্নাইগী থবক থৌরম কয়াদা চোকথবা নাইদনা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম কয়াদা ব্রাঞ্চ অমসুং য়ুনিটশিং হাংদোক্তুনা এমসুগী থৌমীশিং শেমগৎলি। এমসু শিংজমৈ ব্রাঞ্চকী নৌনা খল্লবা থৌমীশিং অদুদি কে ঐচ কেলবিসনা প্রসিদেন্ট, চেলসিনা ভাইস প্রসিদেন্ট, পাঙম্বম মেরিনা জেনরেল সেক্রেটরি, রোহিৎ মুতুমনা ফাইনান্স সেক্রেটরি অমসুং রোহিৎ ওইনামনা কোওর্দিনেসন এন্দ নেটৱার্কিং সেক্রেটরি অমসুং সোরাইসম দাইননা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনসম প্রিতিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

CROSSWORD-2408



ACROSS

1 Dairy product (6)
4 Day nursery (6)
8 Regretting (5)
9 Insanity (7)
10 Female ruler (7)
11 Copious, abundant (5)
12 True to life (9)
17 Small flock of game birds (5)
19 Dishonourable (7)
21 Taken for granted (7)
22 “Aida” composer (5)
23 Small (6)
24 Method (6)

DOWN

1 Gents’ hairdresser (6)
2 Away-day tourist (7)
3 Large bird of prey (5)
5 Glowing (7)
6 Move furtively (5)
7 Less burdensome (6)
9 Bewildered (9)
13 Appalling (7)
14 Floor show (7)
15 Scribble (6)
16 Gas used in balloons (6)
18 Call upon (5)
20 Manual worker (5)

Solution 2407

A	L	M	S	■	S	H	A	M	R	O	C	K
M	■	A	■	K	■	E	■	A	■	R	■	I
B	A	R	R	I	E	R	■	Y	E	A	R	N
R	■	E	■	T	■	T	■	O	■	T	■	G
O	N	S	E	T	■	F	E	R	V	I	D	■
S	■	■	■	E	■	O	■	■	■	O	■	N
I	N	L	A	N	D	R	E	V	E	N	U	E
A	■	A	■	■	■	D	■	E	■	■	■	E
■	O	P	T	I	C	S	■	N	A	K	E	D
J	■	W	■	N	■	H	■	I	■	N	■	L
U	N	I	T	E	■	I	N	C	L	I	N	E
N	■	N	■	P	■	R	■	E	■	F	■	S
E	I	G	H	T	E	E	N	■	Z	E	U	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।



তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিত্থবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হান্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3850/6/05-04/06

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2207

		2			9	5		
					4	7		9
				6		3		
		4			3		5	
	9	6				8	3	
	3		2			1		
		8		2				
9		5	6					
		3	7			2		

Solution-2206

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

3	5	1	8	2	4	6	7	9
4	8	7	1	9	6	5	2	3
2	6	9	7	3	5	8	1	4
8	1	5	2	7	9	4	3	6
6	7	3	4	5	1	2	9	8
9	4	2	3	6	8	1	5	7
5	9	8	6	1	7	3	4	2
1	2	6	9	4	3	7	8	5
7	3	4	5	8	2	9	6	1